# নেসোনা অৱাং নোংপোক ষ্টেট খুদিংমক্তা আই এল পি দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা সী এ এ রিপিল তৌনবা তকশিনখ্রে




অগরটালা, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী ওইনা লৈরিবা মহৈরোয় লূপশিংগী অপুনবা লূপ অমা ওইরিবা নোর্থইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো) না অৱাং নোংপোক ষ্টেট খুদিংমক্তা আই এল পি চৎনহন্নবা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা য়েলহৌমীশিংদা চৈথেং পীবা য়াবা সী এ এ রিপিল তৌগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ত্রিপুরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নন‌া য়ুম্বু ওইদুনা অগরটালাদা পাঙথোকখিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী জেনরেল কনফরেন্স লোইরবা মতুং নেসোগী চ্যেরমেন সম্যুল বি জিয়ারানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা অরানবা মওংদা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিং মশক খঙদোক্লবা ওর্গনাইজেসন অসিনা কন্না হোৎনরি। ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মপান লমদগী মীওই কয়া চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা ষ্টেটশিং অসিদা হান্নদগী হৌনা লৈরক্লিবা য়েলহৌমী কয়া মুৎখিবা য়াবগী অরুবা ফিভম অমদা লাক্লে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ওর্গনাইজেসন অসিনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী মথক্তা ষ্টেট ষ্টেটশিংগী ওইনা লৈরিবা লৈঙাক অমদি সেন্টরদা হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎনবা তকশিনবা হৌরগনি অমদি অৱাং নোংপোক ষ্টেট খুদিংমক্তা আই এল পি লৈহন্নবা তকশিল্লগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা নহা কয়ানা থবক ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মীতোপ কয়া চঙশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে। মসি থিংনবা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা হোৎনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা য়েলহৌমীশিংদা চাওনা চৈথেং পীরকপা য়ানা লৈরিবা সী এ এ সেন্টরনা অথুবা মতমদা রিপিল তৌগদবনি। হায়রিবা এক্ট অসি নম্ফুদা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনরক্লবদি পামদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াই হায়রি।



লমদম অসিগীদমক কথোকপগা লোয়য়না থবক তৌরম্বা ইমা অরিবম সিতারা বেগমনা লৈখিদবদা ঈরৈপাক ঈনাৎ চনুরা লোইনশিনলোননা অৱাবা ফোঙদোকখিবা

# নাগাউন দিষ্ট্রিক্টকী এ এ পি লীদরশিংদা মশক খঙদবা নহা খরনা মুক চাইশিল্লমখ্রে



গুৱাহাটি, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সি): অসামগী নগাউন দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি আম আদমি পার্টিগী ১০ শুবা মপোক থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা মশক খঙদবা নহা অনীনা এ এ পি নগাউন দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি জগন্টর বোরাদা মুক চাইশিল্লল্লে হায়রি। অমরোমদা থৌওং অসি বি জে পিনা চৎথখিবনি হায়না এ এ পিনা মরাল শিরক্লি।

এ এ পিগী রিপোর্ট মতুংইন্না নগাউন দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরীদা ঙসি পাঙথোকখিবা মপোক কুমওনগী থৌরম অদুদা মশক খঙদবা নহা অনীনা মুক চাইশিল্লম্বগী থৌওং অদু সী সী টি ভি কেমেরাদা ফজনা রেকোর্দ তৌরমখি। মুক চাইশিল্লকপদা চেন্নরিবা মীওই অদু বি জে পিগী থৌমীনি। নহা অনী অদুনা মুক চাইশিল্লল্লবা মতুং বি জে পিনা য়াইফরে হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউরমখি। মতম পুম্বদা বি জে পিনা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংদা অয়েৎপা অমদি অকি অখঙ থোকহনবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না চথরি। অসিগুম্বা থৌওং অসি বি জে পি লৈঙাক্লা থিংনবা হোৎনবগী মহুত্তা খঙশিন্নদবা শাদুনা তুমিন্না লৈরি। বি জে পিগী গুন্দাশিং অসিনা পুলিসকী মরুমদা অরানবা থবক কয়া ফোঙনা চথরি। মসি অসামগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি হায়রি।

অমরোমদা এ এ পিগী মেম্বরশিংদা বি জে পিগী থৌমীশিংনা মুক চাইশিল্লম্বগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মুক চাইশিনবগী থৌদোক অসি হন্দক থোক্লিবা অসিনা অহানবা নত্তে। মমাংদসু বি জে পিগী থৌমীশিংনা য়ু পিগী এ এ পি এম এল এ সোমনাথ ভার্টিদা মুক চাইশিনবগী থৌদোক থোকখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০২০ দসু এ এ পিগী লুচিংবা সঞ্জয় সিংহদসু মুক চাইশিন্দুনা ইকায়বা পীবগী থৌদোক থোকখ্রে হায়রি।

# মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দেনা গুৱাহাটিগী কমক্ষ্য টেম্পলদা ভিজিট তৌখ্রে

গুৱাহাটি, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দে অমদি মহাক্না লুচিংবা সেভ সেনা ফেক্সনদা য়াওরিবা এম এল এশিংগা ঙসি গুৱাহাটিদা লৈবা কমক্ষ্য টেম্পলদা ভিজিট তৌরখিবগা লোয়ননা লাইশঙ অদুদা লাইনিং লাইশোনগী ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অসামগী কেপিটেল সিটি গুৱাহাটিদা লৈদুনা সিভ সেনা এম এল এশিং অসিনা চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনা লুচিংবা লৈঙাক অদু ইস্তুনবা হোৎনখিবগা লোয়ননা মায় পাকপা ঙমখিবনি। মদুগী মতুং গুৱাহাটিদা হৌজিক হৌজিক মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা একনাথ সিন্দে অমসুং মহাক্কী এম এল এশিংনা অহানবা ওইনা ভিজিট তৌরখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দেনা গুৱাহাটিদা পাউমীশিংগী মমাঙদা ৱা ঙাংলদুনা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না গুৱাহাটিদা মতম খরা লৈরিঙৈ অদুদা কমক্ষ্য লাইশঙদা চত্তুনা খুরুমজখি অমদি মখোয়না হোৎনজরিবা অদু মায় পাক্লবা হায়জখি। অদুবু ঙসিদি কমক্ষ্য ইমানা ঐখোয়বু চানবীরে। ঐখোয়না মায় পাকপা ঙল্লে হায়রি।

পনবা য়াবদি ঙসিদগী থা ৫ রোমগী মমাঙদা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা হোৎনবদা মখোয়না গুৱাহাটিদা লাক্তুনা লৈরমখিবা রেদিসন ব্লু হোটেলদা ঙসিসু লৈগদৌরি। চহী অসিগী জুন থাদা একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা রেবেল এম এল এশিং অসিনা রেদিসন ব্লু হোটেলদা নুমিৎ ৮ নি লৈরমখি। মদুগী মতুং মহারাষ্ট্রদা অমুক হন্দুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবনি।

# অসাম-ত্রিপুরা ঙমখৈগী শরুক্তা বাংলাদেসি নেসনল ৫ ফারে

গুৱাহাটি, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সি): অসাম অমসুং ত্রিপুরা অনীগী লোন্নবা শরুকশিংদগী ইল্লিগেল ওইনা লৈবাক অসিদা চঙলক্লবা মতুং অমুক হন্না মখোয়গী মরৈবাক্তা হন্নবা হোৎনরম্বা বাংলাদেসি নেসনল ৫ সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

তোঙান তোঙানবা ঙমখৈগী শরুক অনীদগী বাংলাদেসি নেসনলশিং অসি ফাবা ঙমখিবনি। ফারবা মীওই ৫ অদুগী মনুংদা ২ না সিলচর রেলৱে ষ্টেসনদগীনি। অদুগা ৩ না অসাম ত্রিপুরা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা চুরাইবারি চেকপোষ্ট মনাক্তগী ফাবা ঙমখিবনি। পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ফারবা মীওইশিং অদুগী মমিং খোকান ফকির, মিজানুর রহমন, ফরদিন ইস্লাম, সাগ মিয়া অমসুং অস্রা ফুল ইস্লামনি। মখোয় ৫ মক হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা গুৱাহাটি টু সিলচর চেনবা ট্রেন অমদা তোংদুনা লাকখিবনি। মখোয়গী মথক্তা লিগেলগী ওইনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# আইজোলদগী লুপা ক্রোর ৩.২৬ রোমগী হিরোইন ফারে

আইজোল, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সি): ২৩ সেক্টর অসাম রাইফলসকী আইজোল বট্টালিয়নন‌া ঙরাং মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা চথখিবা থিহুম্বগী থবক্তা লুপা ক্রোর ৩.২৬ রোমগী ওইগদবা হিরোইন ফাবা ঙল্লে হায়রি।

অসাম রাইফলস অমসুং মিজোরামগী এক্সসাইজ এন্দ নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টনা অককবা পাউ অমা ফংলবা মতুং সেলেসিগী অকোয়বদা থিহুম্বগী থবক চথখি। মদুদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই ৩ চৎলম্বা উবদগী মখোয়বু খামদুনা চেক তৌবা মতমদা হিরোইন গ্রাম ৬৫৩ য়াওরম্বা থেংনখিবনি। মখোয় ৩ অদুগী মনুংদা অমদি ম্যান্মার নেসনলনি। মখা তানা লিগেল প্রোসিদিং চথনবগীদমক হিরোইনগা কোন্ননা ফারবা মীওই ৩ অদু এক্সসাইজ এন্দ নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে। ষ্টেট অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ময়ায় কাবা চিঙ্গাক মুখৎনবগীদমক অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি, মখা তানসু চঙশিনখিগনি হায়রি।

# মেঘলায়াদা চখোক চৎশিন তৌবদা মখা তানা অসাম লৈঙাক্লা অথিংবা থল্লি



গুৱাহাটি, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সি): অসাম অমসুং মেঘলায়া ষ্টেট অনীগী মরক্তা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৬ শিহনখ্রবা মতুং ষ্টেট অনীগী ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা উংখৎনবা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখিবগা লোয়ননা অসামগী নম্বর ওইবা গাড়ি অমত্তা মেঘলায়াদা চঙদনবা লৈঙাক্লা পীখিবা ওর্দর অদু মখা তানা চৎনখিগনি হায়রি। অমরোমদা মেঘলায়া গভর্নমেন্টনা মখা তানা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৭ তা ইন্টরনেট সর্ভিস পুং ৪৮ সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

অসাম পুলিসনা মেঘলায়া ঙমখৈগী শরুক্তা নোংমৈকাপ্পগী থৌদোক্তা মরাল লৈজদবা মেঘলায়াগী মীওই ৫ য়াওনা অসামগী ফোরেষ্ট গার্দ অমা শিহনখি। পুলিসকী কা হেনবা থৌওং অদুবু মায়কৈ কয়াদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিন্দুনা লাক্লি। থৌদোক অসি সেন্টরনা সী বি আইদা থিজিন্নবা খঙহনখিবা লৈরে।

অমরোমদা অসাম গভর্নমেন্টনা য়ুমথংনরিবা ষ্টেট মেঘলায়াদা ঈরাং মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌদ্রিবা ফাওবা চত্তনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা খঙহল্লক্লি। মীওই ৬ শিহনখিবগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মেঘলায়াগী কোনুং শিল্লোংদা মীয়ামগী ওইবা অকনবা ঈহৌ লাকখিবা অদু খরা হন্থখ্রে। ঙসিগী ওইনা লম্বী ময়ায়দা মীওইশিংনা থোরক্লগা লম্বী থৎপা অমদি টায়র মৈ থাবগী চাং হন্থখিবগা লোয়ননা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবা পাউ লৈত্রি। থৌদোক অসি সী বি আইদা শিন্নদুনা থিজিলহল্লগনি হায়না সেন্টরনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং মীয়ামগী ঈহৌ খরা নেমথরকখিবনি হায়রি।

# CROSSWORD-3714



**ACROSS**

1 Snow storm (8)
6 Possess (3)
9 Supply with necessary kit (5)
10 Replies (7)
11 Chip shop fish (7)
13 Cash (5)
14 English county (6)
15 Device for taking photographs (6)
19 Casual trousers (5)
21 Ungainly (7)
22 Sold from the cask (7)
23 Subject (5)
24 Male child (3)
25 Duplicitous (3-5)

**DOWN**

2 Wash (7)
3 Adjustable fastening (3)
4 Northernmost American state (6)
5 Go ashore (9)
6 Large sea (5)
7 Unpleasant (5)
8 Systematic procedure (6)
12 Omission (9)
16 Instance (7)
17 Kidnap (6)
18 Military pageant (6)
19 Betrayer (5)
20 Once more (5)
23 Hot drink (3)

**Solution 3713**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-5012

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | | 8 | | | | |
| | 7 | 6 | | | 1 | 9 | | |
| 1 | | | 7 | 6 | | | | |
| | 5 | | | 3 | | 4 | | |
| 4 | 3 | | | | | | 6 | 8 |
| | | 2 | | 4 | | | 7 | |
| | | | | 7 | 3 | | | 2 |
| | | 4 | 5 | | | 1 | 3 | |
| | | | | 9 | | | | 6 |

## Solution-5011

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 3 | 8 | 5 | 6 | 1 | 2 | 9 |
| 1 | 5 | 8 | 9 | 3 | 2 | 6 | 4 | 7 |
| 2 | 9 | 6 | 7 | 4 | 1 | 8 | 5 | 3 |
| 9 | 6 | 4 | 2 | 1 | 5 | 3 | 7 | 8 |
| 5 | 3 | 1 | 6 | 7 | 8 | 2 | 9 | 4 |
| 7 | 8 | 2 | 3 | 9 | 4 | 5 | 1 | 6 |
| 6 | 1 | 5 | 4 | 8 | 9 | 7 | 3 | 2 |
| 3 | 2 | 9 | 1 | 6 | 7 | 4 | 8 | 5 |
| 8 | 4 | 7 | 5 | 2 | 3 | 9 | 6 | 1 |

# EMPLOYMENT NEWS

## IIT GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR JUNIOR RESEARCH FELLOW

Indian Institute of Technology Guwahati Junior Research Fellow Recruitment 2022: Advertisement for the post of Junior Research Fellow in Indian Institute of Technology Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 10 January 2023. Candidates can check the latest Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment 2022 Junior Research Fellow Vacancy 2022 details and apply online at the www.iitg.ac.in/ recruitment 2022 page.
titute of Technology Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.iitg.ac.in/. Indian Institute of Technology Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.iitg.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)
invites applications for recruitment of Junior Research Fellow
Junior Research Fellow
Job Location:
Indian Institute of Technology , Guwahati, 781039 Assam
Last Date: 10 January 2023
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)Recruitment 2022 Details
Company Indian Institute of Technology Guwahati
Job Role Junior Research Fellow
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 31000(Per Month)
Posted on 24 Nov, 2022
Last Date To Apply 10-01-2023
Educational Qualification: Post Graduate degree in basic science or Graduate / Post Graduate Degree in Professional Course selected through a process described through any one of the following: 1. Scholars selected through the National Eligibility Test -
CSIR-UGC NET including lectureship (Assistant Professorship) and GATE. 2. The selection process through National Level examinations conducted by Central Government Departments and their Agencies and institutions such as DST, DBT, DAE, DOs, DRDO, MHRD, ICAR, ICMR, IISc, IISCR, etc. Desire
experience: cell culture, plasmid design, molecular biology techniques, basics bioinformatics
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 31000(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Junior Research Fellow in IIT Guwahati.
How to Apply:
Step 1: Visit the official website iitg.ac.in
Step 2: Click on IIT Guwahati Recruitment 2022 notification
Step 3: Read the instructions carefully and proceed further
Step 4: Apply or download the application form as per the information mentioned on the official notification
Important Dates:
Published on: 25 November 2022
Last date for application is: 10 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## IIT GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR RESEARCH ASSOCIATE

Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.iitg.ac.in/. Indian Institute of Technology Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.iitg.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)
invites applications for recruitment of Research Associate
Research Associate
Job Location:
Indian Institute of Technology, Guwahati, 781039 Assam
Last Date: 05 December 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)Recruitment 2022 Details
Company Indian Institute of Technology Guwahati
Job Role Research Associate
Education Requirement M.Phil, Ph.D
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Guwahati
Experience 3 - 5 years
Salary 54200(Per Month)
Posted on 24 Nov, 2022
Walkin Date 05 Dec, 2022
Educational Qualification: Ph.D Degree in Engineering (Chemical/Biotech/Energy). Candidates
must have at least 3 publications as first author in microalgae research in Q1 journals. Candidates having research experience on microalgal biorefinery/HTL/Pyro
lysis/Biooil upgradation will be preferred.
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
54200(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Research Associate in IIT Guwahati.
How to Apply:
The entire details regarding IIT Guwahati Recruitment 2022 walkin are stated in the official notification. So head to the official website and download the IIT Guwahati Recruitment 2022 notification.
Important Dates:
Published on: 25 November 2022
Last date for application is: 05 December 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম







